চাইনানা পাকিস্তানদা ইহান হানবা ওইনা য়াম্না এদভান্স ওইরবা অমদি অচৌবা ৱারশিপ অমা খুৎশিন্নখ্রে

বৈজিং, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : পাকিস্তান অমসুং চাইনাগী মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা চাইনানা ইহান হানবা ওইনা পাকিস্তানদা য়াম্না এদভান্স ওইরবা অমদি য়াম্না চাওপা ৱারশিপ অমা খুৎশিন্নখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তানদা খুৎশিন্নখ্রবা ৱারশিপ অদু চাইনা ষ্টেট শিপবুইল্ডিং কোর্পোরেসন লিমিটেদ (সী এস এস সী) না শাবনি। শাংহাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চাইনানা ৱারশিপ অদু পাকিস্তান নেভিদা খুৎশিন্নখিবনি। পাকিস্তানদা খুৎশিন্নখ্রবা ০৫৪এ/পি ফ্রিগেট টাইপকী ৱারশিপ অসি পি এন এস টুগ্রিল হায়না মিংথোল্লি।

পাকিস্তান নেভিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা পীরক্লিবা ৱারশিপ অসিগী টেক্নোলোজি অসি য়াম্না এদভান্স ওইবা মখলগীনি। ৱারশিপ অসি সরফেস টু সরফেস, সরফেস টু এয়র অমদি ঈশিং মনুংদা খুৎলায় লোঞ্চ তৌবা ঙম্লি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা সর্ভিলেন্স পোটেন্সিয়েল অমদি লান্থেংনবা মতমদা য়াম্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বা ইকুইপমেন্ট কয়া অমসু য়াওরি। চাইনানা পাকিস্তানদা মমাং মতমদগী খুলায় কয়া সপ্লায় তৌদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক পীরক্লিবা য়াম্না এদভান্স ওইবা খুৎলায় অসিনা মরম ওইরগা পাকিস্তান নেভিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা পাকিস্তান নেভিগী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা লৈবাক অসিদা নৌনা পীরক্লিবা ৱারশিপ অসি পাকিস্তান নেভিনা মমাং মতমদা শীজিন্নখিদ্রিবা ওইবনা ৱারশিপ অসি ওপরেট তৌনবগীদমক হান্না ট্রেনিং তৌবা মথৌ তারি। চাইনাগী মরী লৈনবা ওফিসারশিংদা ৱারশিপ অসিগী মতাংদা পাকিস্তান নেভিবু ট্রেন তৌনবা খঙহনখ্রে। অথুবা মতমদা ইঞ্জিনিয়র অনী য়াওনা মীওই ৬ পাকিস্তানদা লাক্তুনা ৱারশিপ অসি ওপরেট তৌনবগী মতাংদা পাকিস্তান নেভিবু ট্রেন তৌরগনি।

পাকিস্তান অমদি চাইনাগী মরী ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ফনা লাক্লি। এসিয়া রিজন্দা লৈবাক অনী অসিনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি ইকনমিগী ফিভম খ্বাইদগী ফবা লৈবাকশিং ওইনবা হোৎনদুনা লাক্লি। চাইনানাসু পাকিস্তানদা মখোয়গী ওইবা তোঙান তোঙানবা মখলগী প্রোজেক্ট কয়া মায় পাক্না পায়খৎলি।

অমরোমদা পাকিস্তানদা লৈরিবা চাইনাগী টেক্নিকেল ষ্টাফ অমদি ইঞ্জিনিয়রশিং য়াওনা চাইনিজ সিটিজন খুদিংমকপু পাকিস্তাননা চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা চাইনাগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা তকশিল্লকখ্রে। পাকিস্তানদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংদা থবক তৌরিবা চাইনিজ নেসনেলশিংদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না টার্গেট তৌদুনা এটেক চথুরি।

চহী অসিগী জুলাই থাদসু পাকিস্তানদা বেজ তৌবা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপকী মেম্বর খরনা চাইনিজ ইঞ্জিনিয়রশিং পুদুনা চৎখিবা বস অমদা এটেক চথুদুনা চাইনিজ নেসনেল ৮ হাৎখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরবসু হৌজিক ফাওবদা লংলা লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমদনা লৈরি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা তেংবাংগী পোৎলমশিং মাঙহন তাকহল্লি : রাইটস গ্রুপ

নেপিদো, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : ম্যান্মারগী মনুং চনবা কারেন ষ্টেটতা লৈরিবা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা পীখিবা তেংবাংগী পোৎলমশিং ম্যান্মার মিলিটরিনা মাঙহন তাকহনবগী থৌওংশিং চথবগা লোয়ননা হ্যুমেনিটরিয়ন ৱার্করশিংবু ফাজিন্দুনা ৱার ক্রাইমগী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুরি হায়না মমিং লৈরবা রাইটস গ্রুপ ফোরটিফাই রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রুপ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ম্যান্মার মিলিটরিনা কয়া হায়রগসু খঙনরিবা কারেনি ষ্টেটতগী হৌজিক ফাওবদা হ্যুমেনিটরিয়ন ৱার্কর ১৪ ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মসি য়াম্না লায়বক থিবনি। অথুবা মতমদা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা এইদ ৱার্করশিং থাদোরক্লবা রাইটস গ্রুপশিংনা মিলিটরিদা তকশিনখ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি থাদোরকপা লৈত্রি।

ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংদা চথবা এটেক্কী মীংদা মিলিটরিনা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা মোর্টার সেল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথুরি। এটেক্কী মীংদা য়ুম য়ুমদা চঙদুনা লূট তৌবা অমদি ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবশিংদা পীনবা এইদ ৱার্করশিংনা পৈশিন্দুনা থল্লিবা পোৎলমশিং অমদি মেদিকেল সপ্লাইশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহল্লি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোরটিফাই রাইটইকী রিজনেল দিরেক্টর ইস্মরইল ৱোল্ফনা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মার মিলিটরিনা হৌজিক চথুরিবা অসি ৱার ক্রাইমগী থৌওংশিংনি। ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টানা লৈবাক অসিগী ঈং তপ্পা অমদি সিক্যুরিটিদা য়াম্না চাওনা শিংনদুনা লাক্লি। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অসি খুদক্তগী লেপকদবনি। নৎত্রবদি লৈবাক অসিদা মীশি মীনা কা হেন্না থোকহনবা য়াবা থৌদোকশিং মখা তানা অদুম্মক থোকহল্লকখিগনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদসু ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে। মখা তানা ৱার ক্রাইমগী থৌওংশিং চথুরবদি সিভিল ৱার থোরকপা য়াই হায়রি।

পেলিষ্টিনিয়ন ১ ইজরেলি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : মশাগী চহী ১৬ খত্তুমক ঙাইরিবা পেলিষ্টিনিয়ন নুপামচা অমা ঙরাং ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা নাব্লুসতা ইজরেলি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না দিফেন্স ফোর চিলড্রেন ইন্তরনেস্নেল পেলিষ্টানিনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রুপ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাব্লুস সিটিগী মনুং চনবা ওদালা খুঙ্গংদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা মশাগী চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবা পেলিষ্টাইন মচা ওদেবু মতুং ওন্থোকহল্লগা নোংমৈনা অনীরক কাপ্তুনা হাৎখিবনি। ইজরেলি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদা মরাল লৈজদবা পেলিষ্টিনিয়ন অঙাং কয়া হাৎপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

ইজরেল ফোর্সকী কা হেনবা থৌওংশিং অসিবু তোঙানবা রাইটস গ্রুপনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈজদবা মীওইশিং হাৎপগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি হায়না তকশিল্লক্লি। পেলিষ্টিনিয়নগী মায়কৈদগীসু ইজরেল মিলিটরিগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ইজরেল মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবদা পেলিষ্টিনিয়নগী মায়কৈদগী মথৌ তৌখিবা ইজরেল ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা ইজরেল ফোর্সশিংনা চিংনবা মীওইশিংদা অমুক হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা নহা অদু নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদবনি। অদুমওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিল্লগনি হায়না ইজরেল মিলিটরিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সিদেন্টতা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেনসেসন পীগদৌরি

মেক্সিকো সিটি, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : মমাং থাদা মেক্সিকোদা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেনসেসন পীরগনি হায়না মেক্সিকো সিটিগী মেয়র ক্লাউদিয়া সেনবোমনা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩ দা থোকখিবা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অদুদা মীওই ২৬ শিখি। হায়রিবা মীওই ২৬ অদুগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা মেক্সিকো সিটিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মতেং ওইনা ইমুং অমমমদা দোল্লর লীশিং ৩৫ গী মতেং পীরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অদুদা মীওই ৮০ রোমসু অশোক অপন নংখি। মখোয়শিং অদু অথুবা মতমদা ফরকপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শোক্লবশিংদসু পাংবা য়াবা মতেং পাংলগনি হায়রি। মেক্সিকোদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকপগী থবক অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোকহনদবগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না মেক্সিকান প্রসিদেন্ট এন্দ্রেস মেন্যুএল লোপেস ওব্রাদোরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মেত্রো ত্রেন গুরুং চৎখিবগী মতাংদসু থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

নোংশা মরী কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরে : রিপোর্ট

সিঙ্গাপোর, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : সিঙ্গাপোরগী জুদা থবক তৌবা নুপা অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রবা মতুং মহাক্না মচিঞ্জাক থারম্বা নোংশা ৪ সু কোভিদ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবা নোংশা ৪ অদুগী হকচাংগী ফিভম হৌজিকমক্কী ওইনদি কা হেন্না শোকচিনবা ওইদ্রি। মখোয় হান্নগুম চেন চোংদুনা শান্নরি অমদি চাবা থকপদা প্রোব্লেম ওইদ্রি। জু অসিদা কোভিদ লায়না লায়চৎ অসি নোংশা ৪ দা শন্দোরকপা থেংনখ্রবা মতুং জু অদুদা লৈরিবা শা খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

জু অসিদা মখা তানা লায়না লায়চৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা অমদি জুগী মপান্দা শন্দোকহল্লক্তনবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না জু অসি মতম খরগী ওইনা থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। পোজিটিব ওইখ্রবা নোংশাশিং অদু এসিয়ান লাইওন ঙাক্তনি।

অমরোমদা জু অসিদা লৈরিবা অতোপ্পা অফ্রিকান লাইওন অমদসু কোভিদ-১৯ ওইরম্বা য়াই চিংনবা সিম্পটমশিং থেংনখ্রে। মরম অদুনা নোংশা অদুগা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা নোংশা ৯ জু ওথোরিটিনা আইসোলেট তৌদুনা থমখ্রে। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী শাশিং অদুবু খুদোংথিবা থোক্তনবা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবগী থবক চথুরি।

টালিবাননা পৱার পায়খ্রবা মতুং ইরানদা অফঘান নেসনেল কয়া লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি

কাবুল, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা অশ্রফ ঘানিনা লুচিংবা লৈঙাকপু মায়থিবা পীদুনা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং হৌজিকফাওবদা অফঘান নেসনেল লাক্ষ ৩ হেন্না য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইরানদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। নোংমদা অফঘান নেসনেল ৪,০০০-৫,০০০ গী চাংদা ইরানগী ঙমখৈ শরুক্তা চঙশিল্লক্লি হায়না নোরৱেগিয়ান রিফ্যুজি কাউন্সিল (এন আর সী) না ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সিল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকরকখিবদা নিংথমথাগী মতম ফাওবদা ইরানদা অফঘান নেসনেল কয়া থুংলবা য়ানা লৈরি। ইরানদা অফঘান নেসনেল মশিং য়াম্না চঙলক্কনি হায়না থাজরুদে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ইরাননা অফঘান নেসনেলশিং অদুবু মপুঙ ফানা য়েংশিনবা ঙমদবগী ফিভম অমদা লাকপা য়ানা লৈরি।

এন আর সীগী সেক্রেটরি জেনরেল জান ইগেলান্দনা ফোঙদোকখিবদা, কাউন্সিল অসিদা রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাংনবগীদমক শেনফমশিং ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনা পীদুনা লাক্লি। কাউন্সিল অসিদা পীরক্লিবা শেনফম অসি য়াম্না পীকপা শেনফমনি। অদুবু খঙহৌদনা ইরানদা চঙশিল্লক্লিবা অফঘান নেসনেলশিং অসি য়াম্মনখিবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা হৌরে। হিরম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে। দল্লিয়ু ঐচ ও অমদি য়ু এননসু ইরানদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অফঘান নেসনেলশিং অসিগী তেংবাং পোৎলমশিং পীবগী মথৌ তারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস লেজিসলেচরশিংনা য়েমেনদা মতেং পাংনবা প্রসিদেন্ট বাইদেনদা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ফীভম শোকহল্লবা য়েমেনদা মতেং পাংনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেট লেজিসলেচরশিংনা বাইদেনদা তকশিনখিবগা লোয়ননা য়েমেনদা থোক্লিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাথিবা অমনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস সিনেটর মরিনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা খঙহনখ্রে। চেরোল অদুদা য়েমেনদা শেলগী তেংবাং পীনবা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু মতেং পাংহন্নবগীদমক য়ু এসনা হৌদোকপা হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ফীভম শোকহল্লবা য়েমেনদা মতেং পাংনবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফন্দ রাইজিং তৌনবা আপীল তৌখ্রবা মতুং য়ু এস লেজিসলেচরশিংনা মতেং পাংনবা তকশিনখিবনি। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়েমেনদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৯ মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখ্রে। য়েমেনদা হৌজিক হৌজিক য়ামদ্রবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৫ রোম হেন্না মথৌ তারি। য়েমেননা মথৌ তাবা শেনফম অসিগা য়ু এসনা পাংগদৌরিবা অসিগা য়াম্না খেন্নরি। য়েমেনিস মিল্লিয়ন ২০ লোম হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্সকী মতেংনা হিংদুনা লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অসি মালেমগী মীয়াম্না মিরাইফম থোক্তে।

য়েমেনদা দরকার ওইরিবা শেনফম অদু খোমগৎনবগীদমক স্বিটজরলেন্দ অমসুং স্বিদেননা ফন্দ রাইজিং কনফরেন্স অমা শিনখ্রে। কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। য়েমেনদা সাওদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমরেটনা মতেং পাংবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা হৌথি রেবেলশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নদুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা য়েমেন মনুংদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাক্তা লাঞ্জেন্নহল্লি।

হৌজিক হৌজিকসু ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা য়াম্না তোয়না গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথুরি। রেবেলশিংনা য়েমেনগী কোনুং সনা য়াওনা অতোপ্পা মরু ওইবা মফম কয়া ওকুপাইদ তৌখ্রে। য়েমেনগী প্রসিদেন্ট রবু মনশ্বর হাদিনা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্তরনেস্নেল কম্ম্যুনিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবীনবা আপীল কয়ারক তৌবা লৈখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্না অৱাবা তাহল্লবা মীওই মিল্লিয়ন কয়া অদুবু মতেং পাংবা হায়বসি মথৌ তাই হায়রি।

লেবাননগী পাৎ অমদা ঙা টন কয়া শিরগা তাওখৎলকপা মীয়াম্না থেংনখ্রে : ওথোরিটি

লেবানন, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : লেবাননগী লিটানি তুরেল মনাক্তা লৈবা পাৎ অমগী মপান্দা মশীং য়াল্লবা ঙা কয়া শিদুনা তাওখৎলকপা ঙসি মনাকনক্লা খুন্দাদুনা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা থেংনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না পাৎ অদুদা লৈরিবা ঈশিং অদু কা হেন্না মোৎশিল্লকপদগী ঙাশিং অদু শিখিবা ওইরম্বা য়াই। তুরেল অমদি পাৎ অদুগী মনাক নক্লা খুন্দারিবা মীওইশিংনা অপুম অশাগী মনম ফাওরকপদগী কোয়না চত্তুনা য়েংলুবদা পাৎ অদুদা অশিবা ঙা কয়া তাওদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। সি ৱেজ অমসুং ৱেজ প্রদক্টশিংনা মরম ওইরগা লিটানি তুরেল অমসুং ক্বারোন পাৎ মোৎশিল্লক্লে হায়না ক্লাইমেট এক্তিভিষ্ট কয়ানা মতম কয়াগী মমাংদগী ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অদুমওইনমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎলক্তবদগী ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়না ক্লাইমেট এক্তিভিষ্টশিংনা লৈঙাক্তা মরাল শীরক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ক্বারোন পাৎতা শিদুনা তাওরল্লিবা ঙাশিং অসি চাওরাক্লা টন ৪০ রোমগী ওইগনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লিটানি রিভর ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবদা তুরেল অমদি পাৎকী ঈশিং মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরগা ঙামীশিংনা মতম খরগী ওইনদি হায়রিবা তুরেল অমসুং পাৎ অসিদগী ঙা ফাবগী থবক লেপকদবনি। মফম অসিদগী ফারকপা ঙা চারুরবদি হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া থোরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরি।

অমরোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থৌদোক অদুবু য়াম্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা পাৎ অমদি তুরেলগী ঈশিংশিং শেংদোক্লবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়না অশিবা ঙাশিং অদু কোম তৌথোক্লগা ফুমজিনখ্রে। পাৎ অসি মীওই কয়াগী পুন্সি ওইদুনা লাক্লি। পাৎ অসি শিজিন্নবা থিংজিল্লিবা অসি অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী খল্লগনি। অথুবা মতমদা পাৎ অসিবু মপুঙ ফানা শেংদোক্লবা থবকশিং পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লগনি। মীয়াম্না পাৎ অসিদগী ঙা ফাদুনা হিংনবা লন্থী ওইনা শিজিন্নরম্বা অদু লৈঙাক্লা খঙই। মরম অদুনা পাৎ অসি হান্নগুম শিজিন্নবা য়ানবা শেংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শেমজিন্দুনা লাকখিবা হিন্দু লাইশঙ হাংদোকখ্রে

পেশাৱর, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী) : মমাং চহীদা পাকিস্তানদা থোকখিবা কাংলূপ নাইবা থৌদোক অমদা মুস্লিম ক্লেরিক খরনা চহী য়াল্লবা হিন্দু লাইশঙ অমা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অদুবু পাকিস্তান সুপ্রিম কোর্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়না লাইশঙ অদুবু অমুক হন্না শেমজিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি। চহী অমরোম শেমজিন্দুনা লাকখিবা লাইশঙ অদু ঙসি পাকিস্তানগী চীফ জষ্টিজ গুলজার অমহদনা অমুক হন্না হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লাইশঙ হাংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা চীফ জষ্টিজ গুলজারনা ফোঙদোকখিবদা, মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা খাইবর পাকথুনখ্বাগী তেরি ভিলেজদা লৈবা চহী ১০০ হেল্লবা পরম হন্স জি মহারাজ টেম্পল জামিঅট-ঈ-ইস্লাম ফাজলগী থৌমীশিংনা থুগায়খি। মীকুপ অদু পাকিস্তানগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা মীকুপ্নি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা মতম পুম্বদা লেপ্লি। মখোয়সু অচৌবা ফুরুপশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদুগা মান্ননা ফংনবা রাইট লৈ। মখোয়গী রাইটপু ঙাক শেনবা হায়বসি কোর্টকী মথৌনি হায়না মখা তাখি।

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 10th Nov., 2021

No. B/3577/2021-RIMS : With reference to this institute advertisement No. B/3222/2018-RIMS (Pt) dt. 10th Feb., 2021 for recruitment of post for Accounts Officer, RIMS, Imphal the list of eligible candidates may be seen at the institute website 'www.rims.edu.in'.

Sd/- **K. Doungel**
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/7274/11

MANIPUR POLLUTION CONTROL BOARD
IMPHAL WEST D.C. OFFICE COMPLEX
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795 004
e-mail: pcb-man@nic.in

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 4th October, 2021

No. PCB/516/2021-22/: HVS Construction Materials (Pvt.) Ltd., Patsoi Lamkhai, Imphal West, Manipur has requested Manipur Pollution Control Board for conduct of Public Hearing for the project "Longa Koireng Village Quarrying Lease of Sandstone, Murrum and Shally Earth" at Longa Koireng, Kangchup Geljang, Kangpokpi, Manipur. In compliance of the provisions of Clause 7 (i) III of the Ministry of Environment and Forests notification no. 1533 (E) dated 14th September, 2006 and subsequent amendment notification no. S.O. 3067(E) dated 1st December, 2009, the Public Hearing for the project will be held on 20th November, 2021 at 10.30 am at Longa Koireng village, Kangchup Geljang, Kangpokpi under the supervision of the Deputy Commissioner, Kangpokpi District.

All persons likely to be affected by the project may participate in the public hearing and express their concerns and views.

Responses in writing are also invited from all concerned persons having a plausible stake in the environmental aspects of the project. The summary of the Draft Environmental Impact Assessment (EIA) Report in English and in local language can be assessed from the Manipur Pollution Control Board website www.manipcb.nic.in .The summary of the Draft Environmental Impact Assessment Report can also be assessed from the following offices during normal office hours.

1. Office of the Deputy Commissioner, Kangpokpi
2. Office of the Chief Executive Officer, SH- Autonomous District Council, Kangpokpi
3. Office of the PCCF & HoFF, Sanjenthong, Imphal-795001
4. Office of the Director (Trade, Commerce and Industries), Imphal, Manipur
5. Office of the General Manager, District Industries Centre, Kangpokpi
6. Office of the Member Secretary, Manipur Pollution Control Board, Imphal West DC Office Complex, Lamphelpat-795004, Imphal

The Draft EIA can also be accessed from the above offices on written request during office hours.

Sd/- T. Mangi Singh
Member Secretary
Manipur Pollution Control Board

HL-P/0606/11

ꯏꯟꯗꯤꯌꯟ ꯔꯦꯗ ꯀ꯭ꯔꯣꯁ ꯁꯣꯁꯥꯏꯇꯤ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Indian Red Cross Society Manipur
MG Avenue, Thangal Bazar
Three Days Certificate Training on First Aid
(Tentative Date : 19th to 21st November, 2021)
Intact : 25; Training Fee : Rs. 1000
Last Date : 15/11/2021
HL-P/0596/10 ,11
Contact : **9862589128**

ꯑꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
HL-B/7261/2/11-2/12
PLEASE CONTACT 8974642764